## নোংমৈ মরূ অমনা লুপা লাখ ১গী দিমান্দ তৌরম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস): পুলিসতগী থেংনা ফংবা পাউ অমনা হায়বদা থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ৪.১০ রোম তারকপদা অঙৌবা মচুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা বোলেরো অমদা লাকখিবা শকখঙদবা মীওই অনীনা য়াইরিপোক মালোম মনীং লৈকায়দা লৈবা খুন্দ্রাকপম সোভা (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ পিশককী য়ূমদা লাক্লগা মহাক্কী গাড়ী দ্রাইভরদা নোংমৈ মরূ অমা পীরম্লে হায়রি।

নোংমৈ মরূ লৌহৌরিবা দ্রাইভর অদুগী মমিংনা মোইরাংথেম ইবোমচা এলিয়জ দশা (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ইবোয়াইমা কৌই, জি রিদগী হৌজিক্লা য়াইরিপোক মালোম মনীং লৈকায়দা লৈরবনি হায়রি।

শকখঙদবশিং অদুনা মঙোন্দা নোংমৈ মরূ অমা পীরদুনা মসি চেকশিন্না থমজিল্লু, ঐখোয়না খুন্দ্রাকপম সোভাদা লুপা লাখ ১ দিমান্দ তৌবদু পীননবগীনি হায়রমখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙরাং য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌরকপদগী পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা শকখঙদবা মীওই অনীদুগী খোঙ্গুল লীবা হৌখ্রে হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 91.493699 |
| US Dollar | 83.221851 |
| British Pound | 105.564558 |
| Australian Dollar | 56.469625 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.654996 |
| Japanese Yen | 0.585333 |
| Malaysian Ringgit | 17.877231 |
| Singapore Dollar | 62.713007 |
| South Korean Won | 0.064072 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.192494 |
| Thai Baht | 2.391640 |

### GAS NEWS

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO 30/11/2023**
VALID FROM 16/11/2023
ONLY HOME DELIVERY
WITHIN 4 DAYS
TIME 8AM TO 11AM
ENQUIRY NO.
9774031231/8414967694
**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 03/12/2023**
VALID FROM 17/11/2023
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am
**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Upto date**
8787632782, 9367471778
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
(First come first serve)
Time: 09am to 12pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-29-11-23
**B/upto - 01-12-23**
**Stock-612**
7am to 10am
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-02-12-2023,**
VALID FROM 26-11-2023,
**STOCK : 612,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
**HOME DELIVERY ONLY**
**BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395

(HL-P/8621/21/11 to 20/12

## মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎকী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন এগজামিন তৌগদবা দিফেন্স ৱিটনেস অমুক্কসু লাক্ত্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা মীখলদা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেটতা কারক্তুনা হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবা থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংগী মথক্তা মীখল অসিদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা সেরাম নেকেননা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০২২গী চথরক্লিবা ৱায়েলগী শরুক্তা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী পুথোকপা দিফেন্স ৱিটনেসকী এগজামিনেসন চথনবা থেঙ্বাং অনীরক্তা এদভোকেট কম্মিস্নরনা মতম লেপখ্রবসু কেস অসিগী দিফেন্স ৱিটনেস নম্বর ১ ওইরিবা ক্ষেত্রিময়ূম অরুনকুমার কৌবা মীওই অমা লাক্তবদগী ঙসিসু ক্রোস এগজামিনেসন পাঙথোকখিদ্রে হায়রি।

দিফেন্স ৱিটনেস অসিবু অহানবদা ক্রোস এগজামিনেসন তৌনবা এদভোকেট কম্মিস্নরগী মায়কৈদগী মতম লেপ্পা লৈখ্রে। অদুবু মহাক মশা ঙমদদুনা অকাম্পাৎকী প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা চৎতুনা লায়েংলুবদগী ডাক্তরনা পোথানবা হায়রক্লে হায়দুনা লাকখিদবনি। মসিগী মতুংদা ঙসি অমুক হন্না মহাক্কী এগজামিনেসন চথনবা মতম লেপখিবনি অদুবু ঙসিসু এদভোকেট কম্মিস্নরগী মমাঙদা মহাক লাকখিদ্রে হায়রি। মরম অসিদগী ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নরনা হায়জরকপগী মতুংইন্না দিফেন্স ৱিটনেস নম্বর ৱান অসিগী ক্রোস এগজামিনেসনগী মখা তাবা শরুক জন্যুৱারী ১০, ২০২৪গী নুংথিল পুং ১ তারকপদা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়না এদভোকেট কম্মিস্নরনা খঙহনখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি, পিটিসন অসিদা পিটিস্নরনা মিনিষ্টর অসিবু রিটর্ন কেন্দিদেটনি হায়খিবা রিজল্ট অদু চৎনহনবীগনু হায়রিবনি।

## মে ৩দগী চথরকখিবা লানগী মৈরিনা...

*লমায় ১গী মখা...*

ফীভম অসিগা ইরোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী রেভন্যু লাকপা লন্বীশিংগী মনুংদা ষ্টেট জি এস টি অসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা লন্বী অমা ওইরিবনি। অদুবু চৎলিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী ওইনা মমাঙ থা ফাওবদা শুপ্নতগী লুপা ক্রোর ৭২৯.৩৩ দগী হেন্না খোমগৎপা ঙমদ্রে। মমাঙগী শেনবা চহীদা খোমগৎখিবা লুপা ক্রোর ১৪৩৪.৯৬গা চাংদম্নরুবদা তঙ্খাই রোমদমক ওইরে। মরম অসিনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অদুমক লেঙদনা লৈরগদি হৌজিক থা অহুমখক্তমক ঙাইশিল্লক্লবা চৎলিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪ অসিগী ওইনা ৱাৎহৌরিবা অতেনবা মতম অসিগী মনুংদা ফংফম থোক্লিবা রেভন্যুগী চাং অদু ফুক্কৎতুনা খোমজিনবা ঙমখিগদ্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভেট) কী মতাংদসু মমাঙগী শেনবা চহী ২০২২-২৩গা চাংদম্নরুবদা য়াম্না হন্থরক্লি। লান থোরক্ত্রিঙৈ চৎলিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী এপ্রিল থাদা ভেল্যু এদেদ টেক্সতগী কারকখিবা শেনফম লুপা ক্রোর ৪৫.২৪ ওইখি। অদুবু লান হৌরক্লবা মতুং মে থাদদি হায়রিবা টেক্স অসিদগী খোমগৎখিবা শেনফম লুপা ক্রোর ৩২.৬৯দা হন্থখি।

মথং-মথং হাইথদুনা লৈরকপনা জুনদা লুপা ক্রোর ২২.০৯, জুলাইদা লুপা ক্রোর ২৪.৩৩, ওগষ্টতা লুপা ক্রোর ২৩.৭৪, সেপ্টেম্বরদা লুপা ক্রোর ২২.৫৫, ওক্টোবরদা লুপা ক্রোর ২৪.৬৫ অমদি মমাঙ থাদা লুপা ক্রোর ২৩.২৫ খক্তমক ওইখি।

টেক্স অসিদগী কারক্কদবা লৈঙাক্কী রেভন্যু হন্থরকপগী মতাংদা মরী লৈনবা লোয়শঙগী ওফিসল অসিনা হায়, ঈরাং অসিনা মরম ওইরদুনা ইকনমিক এক্টিভিটি অয়াম্বা চপ লেম্নখি। গাড়ী চেনবগী চাং হন্থখি। মরম অসিনা থাও শীজিন্নবগী চাংসু হন্থখিবনা ভেল্যু এদেদ টেক্সতগী লাক্কদবা রেভন্যু হন্থরকপা হায়বসি মশানা তাবনি হায়রকখি।

ওফিসল অদুনা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ৩৫০/৩৬০ ফাওবগী চাংদা কারকফম থোকপনি। অদুবু চৎলিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী হৌরকপা এপ্রিলদগীনা মমাঙ থা ফাওবদা শুপ্নতগী টেক্স অসিগী ওইনা লুপা ক্রোর ২১৮.৫৪ খক্তমক ফংবা ঙম্মী হায়রকখি।

মণিপুর লৈঙাক্তা কারক্কদবা ইনকমগী চাং নেমথরকপগী মরম অসি ভেহিকল টেক্স খোমগৎপগী থবক্তসু মখা পোল্লি। মমাঙগী শেনবা চহী ২০২২-২৩দা ভেহিকল টেক্সতগী লুপা ক্রোর ৮৩.১৭ খোমগৎপা ঙমখ্রবসু চৎলিবা চহী অসিগী ওইনদি মমাঙ থা ফাওবদা শুপ্নতগী লুপা ক্রোর ২৬.২৪ খক্তমক খোমগৎপদা ঙাইরি হায়রকখি।

অমরোমদা, ইলেক্ত্রিক্কী ওইনসু কারকফম থোকপা শেনফম য়ৌনা কারক্ত্রবসু মৈ লৈবগী শেলদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অদুমক চৎলি। পাৱর কম্পেনিশিংনা মৈগী মমল চপ চানা লৌরবসু লৈঙাক্লা মীয়ামদা ফংহল্লকপা মতমদদি 'পাৱর পর্চেজ সপোর্ট' পীদুনা হোঙনা ফংহল্লি।

চৈরকসিদা লান অসিনা মরম ওইরদুনা অয়াম্বা মফমশিংদগী লাক্কদবা মৈগী টেক্স লাক্তবদগী হীরম অসিদসু লুপা ক্রোর কয়া পৃখৎপা হৌরক্লে হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা রেভন্যু লাক্কদবা মরু ওইবা লন্বীশিং অসিদা কা হেন্না শোকচিল্লকপগা লোয়ননা ঈরাংনা শোকহল্লবা মীয়ামগী রিলিফ মেটেরিএলশিংসু পীননবা হোৎনরকপদা অতোপ্পা এক্সপেন্দিচরশিংগা বেলেন্সিং তৌনরকই। মরম অসিনা লৈফম থোকপা শেল মরাং কায়না লৈতবদগী খুদক্কী ওইনা পাঙথোক্কদবা থবক্তা ফাওবা পন্থহল্লি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট লৈঙাক্কী থবক্তগী পোথারবা মীওইশিংগী রিটাইয়র্দমেন্ট বেনিফিট ফাওবা মতম চানা পীথোকপা ঙম্লক্তবনি হায়রকখি।


ꯑꯃ ꯀꯥꯡꯂ"

### M/S E.B.S. BRICK FIRM

HEIROK PART II GATE PALLI ROAD
GSTIN: 14GZZPS0829FIZR
20 DAYS DISCOUNT

| Class | Rate | No. Of Brick | Gari Charge | Labour Charge | Total amount |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st | 12.50 | 3000 | 3500 | 1500 | 42,500 |
| 1st | 12.50 | 2000 | 2500 | 1000 | 28,500 |
| 2nd | 12.00 | 3000 | 3500 | 1500 | 41,000 |
| 2nd | 12.00 | 2000 | 2500 | 1000 | 27,500 |
| 1st Reject | 10.00 | 3000 | 3500 | 1500 | 35,000 |
| 1st Reject | 10.00 | 2000 | 2500 | 1000 | 23,500 |
| Zamat | 9.50 | 3000 | 3500 | 1500 | 33,500 |
| Zamat | 9.50 | 2000 | 2000 | 1000 | 22,500 |
| P.T. | 11.00 | 3000 | 3500 | 1500 | 38,000 |
| P.T. | 11.00 | 2000 | 2500 | 1000 | 25,500 |
| Selection | 9.00 | 3000 | 3500 | 1500 | 32,000 |
| Selection | 9.00 | 2000 | 2500 | 1000 | 21,500 |
| Chektek | 407 | 4500 | 2500 | 1000 | 8000 |

(HL-P/8808/12-27/12

Contact: 9856310240 / 9233788135/7888503415

### /ꯂꯣꯟ LOAN AVAILABLE

1. TWO WHEELER LOAN
2. THREE WHEELER LOAN
3. FOUR WHEELER LOAN

* No Guarantor Required
* Less Documentation
* Minimum Down Payment
* One Day Delivery

Please Contact :-
IMPHAL FINANCE
HO-Loklaobung, BO- MG Avenue, Paona Bazar, Bishnupur Bazar and Thoubal Bazar
Phone No :- 8258919191

# For Member only


## পাউচেসিগী এদিটর অমসুং পাউজেল চাউবগী য়াঙ্কোক্তা য়েকপা শক্তমশিং খুদোল তৌরম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী মীয়ামদা থোইদোক হেন্দাক্লা মে ৩দগী থোরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী মতাংদা মরীক চুম্বা অমসুং অশেংবা ঈ-পাউশিং য়ৌহল্লি হায়রদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হিয়াংথাং সী দি ব্লোককী মখাদা লৈরিবা ওইনাম থিঙেল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান থোঙাম গুনেশ্বর (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ মৈনো, শীংজমৈ মখা খোংনাং ফৈদেকপীদা লৈবনা পাউচে অসিগী এদিটর মাইবম ধনবির মীতৈ অমসুং দি ফ্রন্টিয়র মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ এদিটর পাউজেল চাউবদা মখোয় অনীগী য়াঙ্কোক্তা য়েকপা শক্তমশিং খুদোল তম্লম্লে হায়রি।

শক্তমশিং অসি ককচীং খুনৌ বামোন লৈকায়দগী য়েলহৌ য়াঙ্কোক আর্টিষ্ট ময়াংলম্বম থোইথোইবা (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম নাগেশ্বরনা নুমিৎ খরনি চঙনা য়েক্লককখিবনি হায়রি। ঙসি আর্টিষ্ট মশা য়াওনা প্রধাননা শক্তমশিং য়েক্লবা য়াঙ্কোকশিং পাউচে অসিগী ওফিসতা পুরক্লগা খুদোল তমদুনা মখা তানা মরীক চুম্বা পাউ ফোঙবীনবা আপীল তৌরমখিবনি হায়রি।

## মায়োলগী লমশাং খোঙচৎ নুমিৎ...

*লমায় ১গী মখা...* তোঙান তোঙানবা খুলশিং ফাওদুনা লাকপদা খুলশিং অদুগী মীওই কয়াসু শরুক য়ারকখি। খোঙচৎলোইশিংনা থুংখিবা মফমশিংদা মীয়াম্না চান-থরুবা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা তরাম্না ওকখি।

পনবা য়াবদি, খোঙচৎ অসি মথং থাগী ৯ ফাওবা নুমিৎ ২১নি চূপ্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানা খুল-লৈকায়শিং ফাওদুনা চৎননবা পান্দম থল্লিবনি।

## দ্রগ মরূ ফংনা মৃখৎকদবনি, মাঙখিবা

*লমায় ১গী মখা...* মাঙখ্রবী মীচমশিং অথুবদা পুথোক্কদবনি হায়বা খোল্লাওশিং লাউখিবগা লোয়ননা খোল্লাওশিং অসিবু ইবা প্লে কার্দশিংসু পায়খি।

ৱাংজিং জি পি অপুনবা ক্লব ওর্গনাইজেসনগী ফাইনান্স সেক্রেটরি লাইশ্রম মনিচন্দ্রনা হায়, ঙসি ঐখোয়গী লমদমসিদা দ্রগনা শোকহল্লিবা অমদি মাঙ তাকহল্লিবা অসিদগী কলহৌনবগী পান্দমদা ৱাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী অকোয়বদা লৈবা ক্লব তরেৎ অমসুং মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংগা খুৎশম্নরগা মৈরাগী খোঙচৎ অসি চৎপনি। খোঙচৎ অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি মণিপুরদা হৌজিক দ্রগনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা পূন্সি মরেল অমা ওইরিবা, তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবা ইচা-ইনাও কয়া ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা লৈরক্লিবশিং অসিদগী কন্নবনি হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্লসু ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাদনা লৈরিবা ফীভম অসি অথুবা মতমদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহনবীয়ু হায়খি।


### ꯀꯟꯗꯣꯂꯦꯟꯁ / কোন্দোলেন্স



ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরম্বা শগোলবন্দ কন্সটিট্যুএন্সি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (এস সী পি সী) গী মেম্বর অমা ওইবতা নত্তনা কম্মিটি অসিনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়াবীরম্বা ৱার্দ নম্বর ৭কী আই এম সীগী মেম্বর নম্বর ২ ওইদুনা মীয়ামগী থবক তৌবিরম্বা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকায়দা লৈবা ওইনাম মেঘ সিংহনা মনুং মতম চাদনা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি শাগৈ নাতৈ পূম্নমকপু থাদোক্লগা ঈশ্বরগী খুয়া তানখিবদা এস সী পি সীগী মেম্বর খুদিংমক্লা মিনট ২ তূমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদবগী অত্মানা ঈশ্বরগী খুয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু।

Sd/-Sagolband Constituency Progressive Committee (SCPC)

HL-P/8932/22

### ꯀꯟꯗꯣꯂꯦꯟꯁ / কোন্দোলেন্স



ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরম্বা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) শগোলবন্দ মন্দলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমা ওইবতা নত্তনা মন্দল অসিনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়াবীরম্বা ৱার্দ নম্বর ৭কী আই এম সীগী মেম্বর নম্বর ২ ওইদুনা মীয়ামগী থবক তৌবিরম্বা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকায়দা লৈবা ওইনাম মেঘ সিংহনা মনুং মতম চাদনা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি শাগৈ নাতৈ পূম্নমকপু থাদোক্লগা ঈশ্বরগী খুয়া তানখিবদা বি জে পি, শগোলবন্দ মন্দলগী কার্য্যকর্তা খুদিংমক্লা মিনট ২ তূমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদবগী অত্মানা ঈশ্বরগী খুয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু।

Sd/-President
Bharatiya Janta Party, Sagolband Mandal.

HL-P/8931/22

### ꯃꯤ ꯄꯥꯝꯖꯩ / মী পামজৈ

(Sunday Open)

1. Tyre Fitting হৈবা মীওই অনী (২)।
2. Driver (Light Vehicle) থৌবা হৈবা অনী (২)।
3. Helper (Male) অনী (২)।
4. Salesman (F/M) অনী (২)।

Pay :- Negotiable

N.B :- পাম্বীবশিংনা Biodata/Resume, Passport Photo অনী, ক্লবতগী Character Certificate কা লোয়নরগা মখাগী Contact সিদা থাজিনবীরকউ।

Contact :- Bridgeston Select
M/s Imphal Tyres
Uripok Achom Leikai, Lane-1, Opp. ICICI Bank.
# 8837326916

HL-P/8868/18,20,22


## সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবা এম ...

*লমায় ১গী মখা...*

এসেমব্লিনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না ও জয় মতম চানা মীফম পাঙথোক্কনি হায়বা কম্মিটিগী রুমদা চৎখি। অদুম ওইনমক কম্মিটি অসিগী চেয়রমেন নিসিকান্ত সাপম খক নত্তনা কম্মিটিগী মেম্বর তরুকমক অমত্তা লাক্লমখিদে। মেম্বরশিং অদুদি এম দি অবদুল নাসির, এম দি অসবউদ্দিন, সুর্য্যকুমার ওক্রম, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবদা য়াওরিবা এল এম খৌতে, আর কে ইমো অমসুং এস প্রেমচন্দ্রনি হায়রি।

কম্মিটিগী মায়কৈদগী মীটিং অমা পাঙথোক্লবা কৌরগা চেয়রমেন খক নত্তনা অতৈ মেম্বরশিং লাক্তবদগী পাঙথোকফম থোকপা মীটিং পাঙথোক্ত্রে হায়বসি লৈবাক অসি খক্তদা নত্তনা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চৎলিবা মালেমগী মফম অমত্তদা থোকখিদ্রিবা থৌদোকনি হায়না কমপ্লেনেন্ট ও জয়না মৈ হৌনা শাউখি।

ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এসেমব্লিগী মীফমগুম্না মপাঙ্গল লৈবা হাউস অসিগী কম্মিটি অমগী মীটিং পাঙথোক্কনি হায়রগা পাঙথোকপা ঙমদ্রবনিনা এসেমব্লিগী স্পিকর লৈবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা। এম এল এশিং লৈবগী কান্নবা লৈরিব্রা অমসুং চীফ মিনিষ্টরসু লৈবাক থুগাইবা য়েংনবা লৈবা এজেন্সীরা হায়না ফোঙদোকখি।

এসেমব্লিগী মীফম নৎত্রগা কম্মিটিগী মীফম কৌবগী থবক অসি য়াম্না য়াঙনা লৌফম থোক্তে হায়বসি পার্লিয়ামেন্টরি প্রাক্টিস তৌরিবা লৈবাকশিংনা হায়বা ৱানি। অদুবু মণিপুরদদি এসেমব্লি মীফম ফম্বগসি লৈপুং ফম্বরোমদা হন্থরক্লে হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক ঙসি পাঙথোকখিদ্রবা প্রিভিলেজেস এন্দ ইথিক্স কম্মিটিগী মীটিং অসি মখা তানা করম্বা মতমদা অমুক হন্না পাঙথোক্লবগী মেমোরেন্দম্নচিংবা থোকপা লৈখিদ্রি।


### ꯀꯟꯗꯣꯂꯦꯟꯁ / কোন্দোলেন্স


Oinam Ramananda


Maishnam Shyamo

হৌখিবা তাং ১১/১২/২০২৩, নিংথৌকাবা নুমিত্তা ক্লব অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইবিরম্বা শ্রী ওইনাম রমানন্দ সিংহ অমদি হৌখিবা তাং ১৯/১২/২০২৩, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ক্লব অসিগী মেম্বর ওইবিরম্বা মাইস্নাম শ্যামো মৈতৈ অনীনা ইখঙ-খঙহৌদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ক্লবকী ওফিসতা মিনট ২ (অনী) অৱাবা ফোঙদোকখি। হায়রিবা ক্লব অসিগী মরু ওইবা মীওই অনীগী থৱায়না মপৃগী লৈকোন্দা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু।

Sd/-Jugeswar Singh, Secretary - AKNIC
O. Brojen Singh, President - AKNIC

HL-P/8940/22

### ꯊꯕꯛ/JOB NEWS

OFFICE OF THE
MANGAL COUNSELLING CENTRE
Regd No. /W (WHM)0979
Address: Wahengbam Leikai, Near Narayan Stationery

| Sl.No | Designation | Qualification | Salary | No. of post |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Airport Staff | X - Graduate | 20,000-Above | 20 |
| 2 | Banking Staff | Any Graduate | 20,000-Above | 15 |
| 3 | Staff Agent | VIII- Above | 10,000-Above | 10 |
| 4 | Recovery Officer | X- Above | 8000 + incentive | 05 |
| 5 | Security M/F | VIII- Above | 7,000-Above | 08 |

Last Date of Submission: 27/12/2023
Date of Interview : 29/12/2023

Plz. Contact : 9862615486 / 8119054217
Office Hour :- 10 am. to 4 pm.

HL-P/7827/13,14,16,18,20,22,23,25,27,28

### ꯑꯣꯏꯖꯦꯟꯇ / URGENT VACANCY

**REQUIRED STAFF FOR 5 STAR HOTEL**
Vacancy : 15
Salary : 20,000 – Above per month
Qualification : XII/ Graduate

**VACANCIES FOR AIRPORT** : BWFS, Delhi Duty Free(DDF), Retail Staff, Lounge Staff, Sales Executive, Cargo Executive, Cargo Security Assistant.
Vacancy : 37
Salary : 18,000 to 30,000 per month
Qualification : XII & Above

**STAFF FOR INDIA'S LEADING PVT. SECTOR BANK :** Relationship Manager, Account Opening Staff, Business Relation Executive.
Vacancy : 21
Salary : 22,000 & Above + Incentive + Mediclaim for Entire Family.
Qualification : Any Graduate

**VACANCY FOR PVT. OFFICE :**

| | | | |
|---|---|---|---|
| RECEPTION | XII | 7 | 4500 + incentive |
| SECURITY | VIII | 15 | 7,500 – 13,000 |
| DRIVER | - | 9 | 7,500 & Above |
| HELPER (Household) | - | 6 | 6,000 & Above |

DATE OF INTERVIEW : 28/12/23
LAST DT. OF SUBMISSION : 27/12/23
OFFICE HOUR : 10 a.m to 3:30 p.m.
# 7005947474

EFEC
Wahengbam Leikai
Near Hotel Bheigo
CGHS Building Top Floor

HL-P/8107/20,22,24,25,27






